হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses

লেফটিনেন্ট কর্নেল ধরন্নীরনা হায় কোর্টতা পীখৎলকপা এফিদেবিটকী মতুংইন্না লোগী ওইবা থবক লৌখৎ-কনি হায়না ইভ-ফমনা ফোঙদোকপা

মণিপুরগী পুৱারীদা মীয়ামগী লৈঙাক লিংখিবা নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফমগী শক্তম অমা

ONE DAY DISCUSSION
ON
18TH OCTOBER 1948, MANIPUR
(Manipurgee Puwarida Miyamgee
Leingak Lekhiba Numit)
লামায় ৩

মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা শিন্মীশিংদা মীওৎ-মীনৈ চথরিবা অসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না সী পি আইনা লাউথোকপগী শক্তম

UR STATE COUNCIL C.P.I.

ইম্ফাল ফাইনান্স কো-ওপ থ্রিফট এন্দ ক্রেদিট সোসাইটি লিমিটেদকী এম দি দল্লিয়ু গুনেশ্বরগী টিমনা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দতা শেল কৎপা

Vol. 42, Issue No.128 লৈবাকপোকপা, ইঙেন ১৮ নি পানবা অপুনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Tuesday, July 31, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৪.৪৫
দীজল : লিটরদা লুপা ৬৫.৯৩

ইম্ফাল ফাইনান্সকী টিমনা শেল কৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ : ইম্ফাল ফাইনান্স কো-ওপ থ্রিফট এন্দ ক্রেদিট সোসাইটি লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর দল্লিয়ু গুনেশ্বরনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি অহানবা মণিপুর রাইফলসতা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহিগী লাইশঙদা চৎতুনা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দতা শেল কৎখ্রে। ঙসি অয়ুক ইম্ফাল ফাইনান্স কো-ওপ থ্রিফট এন্দ ক্রেদিট সোসাইটি লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর দল্লিয়ু গুনেশ্বরনা লুচিংবা টিম অদুনা সনামহিগী লাইশঙদা চৎতুনা বোর্দকী থৌপুবশিংদা শেল অদু খুৎশিন্নখি। মেনেজিং দিরেক্টর দল্লিয়ু গুনেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, ইম্ফাল ফাইনান্স কো-ওপ থ্রিফট এন্দ ক্রেদিট সোসাইটি লিমিটেদকী সিলভর জুবিলীগী থৌরমদা ইন্টরটেন্টমেন্ট প্রোগ্রাম পাঙথোকপদা শেল পীনরকখিবা কয়া অদু লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দতা কৎনবা লেপ্পখিবগা লোয়নননা ঙসি খুৎশিন্নবনি। *মখা লামায় ৩ কলম ১*

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৮.৩৩ °C	২২.৭৮ °C
চান্দেল	২৯.৪৭ °C	১৯.৫৮ °C
সীসীপুর	২৮.৪২ °C	২০.০৮ °C
ইম্ফাল	৩০.৫৯ °C	২২.০৩ °C
সেনাপতি	২৭.৩১ °C	১৭.৮৭ °C
তমেংলোং	৩২.০৩ °C	১৯.০৫ °C
থৌবাল	৩০.৩৯ °C	২০.০৯ °C
উখ্রুল	২২.৯৮ °C	১৬.৫৯ °C
মণিপুর	৩২.০৩ °C	১৬.৫৯ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১৫.৩১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	80.325671
US Dollar	68.625850
British Pound	90.133598
Australian Dollar	50.825959
Chinese Yuan Renminbi	10.063645
Japanese Yen	0.618274
Malaysian Ringgit	16.917803
Norwegian Krone	8.427688
Singapore Dollar	50.404318
South Korean Won	0.061406
Swedish Krona	7.834132
Turkish Lira	14.029130
Myanmar Kyat	0.04729
Bangladesh Taka	0.81414

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30449.20
Mumbai	–	Rs 31529.41
Delhi	–	Rs 31229.95
Kolkata	–	Rs 31486.63

HL POLL

Q : Democracy chatpa India gumba leibakta bandh natraga blockade ki tangaifadaba lei haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Assam da NRC phonglaba tungda Manipur da meetop changlakkani haibagi chingnaba leibra?

Yes 95% No 05%

অস! লোইরেহে!

মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং অসিবু কনবা ঙমদৌরিব্রো?



মদু লায়রি নশা কঞ্জনবা হোৎনখো!

ফাকাপ্তা চেন্নবশিং ফাদবগী মরম কোর্টনা সী বি আইগী দিরেক্টরদা হংখ্রে

কম্মান্দোগী পর্সনেল ১৪ চেন্নবা কেস অনীগী চার্জসীট থাগৎলকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা থোকখিবা খুৎশেমগী খুৎ থোক্লবা থৌদোকশিংগা মরী লৈননা চথরকখিবা ৱায়েলগী শরুক অমা ওইনা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) গী দিরেক্টর অলোক কুমার বর্মা সুপ্রিম কোর্টতা কারকখ্রে।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিস কম্মান্দোগী পর্সনেল ১৪ চেন্নবা ফেক এনকাউন্টর কেস ২গী চার্জসীট ঙসি এন আই এনা কোর্টতা থাগৎলকখ্রে।

আর্মি, এ আর অমসুং মণিপুর পুলিসনা এক্সত্রা জুদিসল ওইবা মীহাৎ চথখিবা অমসুং খুৎশেমগী খুৎ থোক্লবদা মীওই কয়া হাৎখিবগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবা চেন্নবা মীওই অমত্তা ফাবা ঙমদবগী মতাংদা এপেক্স কোর্টনা সী বি আইবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি, ফাকাপকী থৌদোকশিং থিগৎলিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) দা মতেং পাংনবগীদমক সী বি আইগী দিরেক্টরনা ওফিসর ১২না শাবা টিম অমা শেমগদবনি। লোয়নননা অথুবা মতমদা এক্সত্রা জুদিসল ওইবা মীহাৎশিং অদুগী চার্জশীট ফাইল তৌরক্কদবনি।

জষ্টিস মদন বি লোকুর অমদি জষ্টিস য়ু য়ু ললিতকী স্পেসল বেঞ্চ অমনা জুলাই ৩০ দা সী বি আইগী দিরেক্টরবু কোর্টতা লাক্লবা খঙহনখিবনি। বেঞ্চ অদুনা হায়খি, হৌজিক চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসি করম্বা মতমদা লোইশিনগদগে হায়বগী মতাংদা সী বি আইনা অকক্লবা মতম থাগদবনি। ইনভেষ্টিগেসন্দা মতম কা হেন্না চঙবগী থৌওং য়ানিংদে।

জুলাই ৫ দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী হীয়ারিংদা কোর্টনা সী বি আইগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদিসনেল সোলিসিটর জেনরেল মনিন্দর সিংহগী ৱারোল তারবা মতুংদা হায়খি, সী বি আইনা হৌজিক চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসি অথুবা মতমদা মপুং ফানা লোইশিনবা তঙাইফদে। কেস মরিগী চার্জশীট শেম-শাবা লোইরে অমসুং জুলাই ২৭ তা মপুং ফাবা চার্জশীট কোর্টতা লানখৎনবা থৌরাং তৌরে। অদুবু হৌজিক ফাওবা কোর্টতা চার্জশীট অমত্তা ফাইল তৌরকপা লৈত্রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা কুমজা ২০১১ অমসুং ২০১২ দা থোকখিবা এক্সট্রা জুদিসল কিল্লিংনি হায়বা থৌদোকশিংদা মীওই অহুম শিখিবগী তোঙান-তোঙানবা কেস অনীগী চার্জসীট সী বি আই ইম্ফালনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা লানখৎখ্রে।

এক্সট্রা জুদিসল এগজিক্যুসন ভিক্টিমস ফেমিলিজ এসোসিএসন মণিপুর (ইভফম)না পিটিসনর ওইরগা ষ্টেট অসিদা থোকখিবা তোঙান-তোঙানবা ফেক্ট এনকাউন্টরগী কেসনি হায়বা কেস ১৫২৮গী অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীয়ু হায়দুনা সুপ্রিম কোর্টতা থাঙ্গৎখিবা ৱাকৎ অমগী মতুংইন্না কোর্ট অসিনা সী বি আইদা কেস খরা থিগৎননবা থা ২ রোমগী মমাংদা খঙহনখিবনি। মসিগী মতুংইন্না সী বি আই (স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম) গীনা কুমজা ২০১২ দা ইরিলবুং পি এসকী মনুং চনবা মফম অমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংগা খুৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা এম দি ইসাক অমসুং এম দি মুস্তাকিন কৌবা মীওই অনী শিখিবগী কেস অমসুং কুমজা ২০১১ দা পুলিসনা ফারবা মতুং জেনিমস হোস্পিটালদা শিখিবনি হায়বা থোকচোম রঞ্জিৎকী কেস থিজিল্লবা মতুংদা ঙসি সী বি আই ইম্ফালনা সী জে এম ইম্ফাল ইষ্টতা কেস অনী অসিগী চার্জসীট লানখৎখিবনি। এম দি ইসাক অমসুং এম দি মুস্তাকিন শিখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা সী বি আইনা লানখৎলকখিবা চার্জসীট অদুদা দি এস পি অমা য়াওনা মণিপুর পুসিলসকী পর্সনেল ৮ না একুয্জ ওইরি। একুজনি হায়রিবশিং অদুদি, ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী দি এস পি, এল দেবেন (৩৫), সী দি ও ইম্ফাল ইষ্টকী ইন্সপেক্টর মোইরাংথেম অনন্দকুমার (৩৫), সী দি ও ইম্ফাল ইষ্টকী এস আই খাঙেম্বম সুনিল কুমার (৩৭), ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী হেদ কন্সটেবল দল্লিয়ু সঞ্জয় (৩২), কন্সটেবল এল রোবিন্দ্রো (৩৬), কন্সটেবল টি শিতলজিৎ (৩০), কন্সটেবল পি হেরোজিৎ (৩২) অমসুং কন্সটেবল দল্লিয়ু প্রেমজিৎ (৩৬) নি। মখোয়গী মথক্তা আই পি সীগী সেক্সন ১২০-বি, ৩৪ আর / দল্লিয়ু ২০১, ৩০২ অমসুং ৩৪২ গী মখাদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

এন আর সী- মীওই লাখ ৪০ রোম ফাইনেল দ্রাফটতা য়াওদ্রে

মণিপুরদসু মীতোপ চঙলক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে

গুৱাহাতি, জুলাই ৩০ (এজেন্সি): খৌরাংনা ঙাইনদুনা লাক্লবা অসামগী নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) গী অনীশুবা অমসুং অরোইবা দ্রাফট সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ফোঙখ্রে।

অপুনবা মীওই ক্রোর ৩.২৯ গী মনুংদা মীওই ২,৮৯,৮৩,৬৭৭ কী মিং এন আর সীদা য়াওরে। অদুবু মীওই লাখ ৪০.০৭ কী মিংদি য়াওরক্ত্রে। অদুমওইনমক ওফিসলশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মীয়াম্বু মীপাইবা পোক্তনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা অশেংবা সিটিজন ওইরবদি অমুক হন্না ৱাকৎনবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়না লাউথোকখি। এন আর সীগী ফাইনেল দ্রাফট ফোঙবগী থৌরমদা ওফিসলশিংনা হায়খি, এন আর সীদা মিং য়াওদ্রে হায়বগীদমক কনাগুম্বা মীওই অমবু দিটেন্সন সেন্টরদা থাবগী ৱাফম লৈরোই। ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন তৌনবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী জোইন্ট সেক্রেটরি (নোর্থ ইষ্ট) সত্যান্দ্র গার্গনা হায়খি, এন আর সীদা য়ুম্ফম ওইরগা মীওই অমত্তা ফোরেন্নরস ট্রাইব্যুনেলদা রিফর তৌবগী ৱাফম লৈরোই অমসুং দিটেন্সন সেন্টরদা থন্নবসু তৌরোই। ফাইনেল দ্রাফটতা মিং য়াওহৌদবা মীওইশিংনা ৱাকৎনবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি। অসামদা ঙসি ওনলাইন অমসুং ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা এন আর সী সেবা কেন্দ্রশিংদা ফাইনেল দ্রাফট ফোঙখি। ফাইনেল দ্রাফটতা কুমজা ১৯৭১ গী মার্চ ২৫ মমাঙদগী অসামদা লৈরক্লবা মীওইশিংগী মমিং, লৈফম অমসুং ফোটোগ্রাফ য়াওরি।

এন আর সীগী ফাইনেল দ্রাফট ফোঙবগা মরী লৈননা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমদা অকায়বা থোরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী তোঙান তোঙানবা মফমদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ-বর্পেতা, দরং, দিমা হশাও, সোনিতপুর, করিমগঞ্জ, গোলাঘাট অমদি ধুব্রিদা অথিংবা থমখি।

চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দা সোনোৱালনা ওফিসরশিং মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা দ্রাফটতা মিং য়াওরক্ত্রবা মীওইশিংনা ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন তৌবদা মতেং পাংবিনবা য়াথং পীখি। ওল পার্টিগী মীফম অমদা এন আর সী ফোঙখিবগী থৌরম অসি নীংশিংনিঙাই ওই হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, পামদবা থৌদোক থোকহল্লকপা য়াবা তোকঙাদা মীয়াম্না থাজবিরোইদবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা এন আর সী ফোঙবা অসাম্না অহানবা ষ্টেট ওইরে। নীংশিংনিঙাই ওইবা থৌরাং অসি মায় পাক্না লৌখৎপা ঙমখিবগীদমক অসামদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। দিষ্ট্রিক্ট অমদি সর্কল খুদিংমক্তা কন্ট্রোল রুম হাংদোক্তুনা মীয়ামদা মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলগনি। সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না কুমজা ১৯৭১ গী মার্চ ২৪ না কট ওফ দেট ওইহল্লগা ফাইনেল দ্রাফট ফোঙখিবনি।

অমরোমদা, ট্রিনামুল কোংগ্রেস অমদি সমাজৱাদি পার্টিনা লুচিংবা অসামগী এন আর সীগা মরী লৈননা রাজ্য সভাদা ঙসি চরাংনবা থোকহনখ্রে। দেরেকওব্রেননা লুচিংবা ট্রিনামুল কোংগ্রেসনা মেম্বরশিংনা হাউসকী মীফমদা ৱাফম অসি পুখৎলকখ্রবা মতুংদা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনসু এন আর সীগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু পুখৎলকখি।

চৈরকসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা হায়খ্রে, মদুদি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

এম এল এ য়ামথোং হাওকিপকী য়ুমদা এন আই এনা রেইদ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): সাইকুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ য়ামথোং হাওকিপকী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা য়ুমদা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)গী টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ তারকপদগী রেইদ চথখ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, এন আই এগী টিম অদু কোলকাটা অমসুং গুৱাহাটিদা লৈরিবা এন আই এগী দি আই জি দিপক কুমারনা লুচিংখি। এম এল এ অসিগী ময়ুমদগী লোনা য়াদবা মওংদা পৈশিন্দুনা লৈরম্বা নোংমৈ অমসুং অতৈ মচাক-মথুম কয়ামরুম এন আই এগী টিম অদুনা ফারে। ফারবা নোংমৈশিং অদুগী মনুংদা সেকেন্দ এম আরগী আর্মস কোটতগী মাঙখিবা নোংমৈ অনী য়াওই হায়রি। অদুমকপু এম এল এ অসিদগী অমদি এন আই এদগী ওফিসল ওইবা ঈ-পাউদি অমফাওবা ফংবা ঙমদ্রি।

থাজবা য়াবা পাউ অসিগী মতুংইন্না খুৎশু-খুৎলায়শিং অদু এম এল এ অসিগী ময়ুমদগী ফাবা মরম্না মহাকপুসু এন আই এনা ফারবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে হায়রি।

থাজনিংঙাই ওইবা পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা কোংগ্রেস এম এল এ অসিগী য়ুমদা রেইদ চথখিবদা ফাগৎলকখিবা নোংমৈশিং অদুগী মতুংইন্না এন আই এনা হৌজিক থিগৎলিবা নোংমৈ মাঙবগী ৱাথোক অসিগী লংলা-লংজিন ফংবা হৌরে হায়বা য়ারে।

এসেমব্লিগী মীফম ওগষ্ট ১০ দা ফম্মনবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম)গী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোকপা মচাক য়াওরক্কদ্রা হায়বগী মতাংদা মীয়াম্না নুংনাংনরিবা অসিগী মরমদা খন্ননবা সাইনে দাই এদজোর্ন তৌদুনা থল্লিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফম মথং থাগী ১০ দা ফম্নবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে।

কেবিনেট মীফমগী তুংদা ঙসি নুমিদাং পাউমীশিংগা উনবদা লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয়সু ওইরিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা হায়খি, এসেমব্লি সেসন অসিদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাং য়াওনা ষ্টেট অসিগী হৌজিক-হৌজিক মাংদা তাদুনা লৈরিবা ইস্যুশিং খন্ননবা ৱারেপ লৌরে।

কেবিনেটকী মীফম অদুদা লৌখিবা অতৈ ৱারেপশিংগী মনুংদা মরুওইবা খরা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংদা তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী তোলোপ শেল ওইনা ফংহনবগী মতম ২০২০ গী এপ্রিলদগী হৌগদবনা দি এ চাদা ১৭ কী চাংদা হেনগৎপীয়ু হায়বা ইমপ্লোয়ীশিংগী ৱাকৎ অমা ঙসিগী মীফমনা য়াম্না কুপ্না খন্নখ্রে। মদুগা ইরোয়নননা চাদা ৬ কী চাংদা দি এ খূদক্তগী হেনগৎপা য়াখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইবা ষ্টার্ট অপ স্কিম মণিপুরদা চৎনহনবদা চাদা ৩০ সবসিদি পীননবা ঙসিগী মীফমনা ৱারেপ লৌখ্রে। অদুমকপু মখোয়দা পীগদৌরিবা শেন্তং অদু লুপা লাখ ৩০ দগী হেল্লোই।

খোঙথাং অসিনা মণিপুরদা মশানা মশাবু থবক পীজনবগী ট্রেনিং ফংলবা কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট লৈজদবশিংদা খূদোংচাবা ফংহল্লগনি অমসুং ওন্ট্রপ্রেন্যুর মশীং হেনগৎহনবা ঙম্লগনি হায়না মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎনা পাউমীশিংদা মখা তাখি।

অতোপ্পা এজেন্দা অমদা পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনীয়ারিং দিপার্টমেন্টকী মখাদা মীয়ামদা থক্নবা ঈশিং ফংহন্ননবা অর্বান অমসুং রুরেল হায়দুনা দিপার্টমেন্ট অসি রি-ওর্গনাইজ তৌখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অমসুং সেন্টরগা লৈনরিবা মরী অমসুং মীয়ামদা ঈশিং ফংহন্নবগী চেন্থোক-চেনশিন তৌহন্নবা ও এস দিগী পোষ্ট অমা শেম্বা য়াখ্রে হায়খি।

ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী ওইনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা চীং-তম ফাওদুনা চেলহল্লিবা বস সর্ভিসশিং ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

মচঙ ওইবা ৱারেপ

- ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমসুং অতৈ-অতৈ খন্ননবা ওগষ্ট ১০ দা এসেমব্লি ফম্নবা ৱারেপ্লখ্রে।
- ইমপ্লোয়ীশিংগী দি এ চাদা ৬ হেনগৎপা য়াখ্রে।
- ষ্টার্ট অপ স্কিমগী সবসিদি চাদা ৩০ ফাওবা পীনবা অয়াবা পীখ্রে।
- লেবর দিপার্টমেন্ট এম সী এসগী কাদর পোষ্ট ওনবা য়াখ্রে।
- লম্ফেলদগী শিজ হোস্পিটাল চৎপা লম্বী চিরাই থাঙ্গাল রোদ হায়না মমিং থোনবা য়াখ্রে।

পান্দে মরাল লৈবগী খুদম ফংবা ঙমখিদ্রে : রিপোর্ট

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): এম য়ুগী ৱাথোক থিগৎনবগী মতাংদা শেমখিবা ফেক্ট ফাইন্দিং টিম্না ভাইস চান্সেলর, প্রোফেসর এ পি পান্দে মরাল লৈবগী খুদম অমত্তা ফংবা ঙমদ্রে হায়না *দি সন্দে গার্জিয়ান* পাউচেগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ফেক্ট ফাইন্দিং টিমগা নক্লবা সোর্স অমনা *দি সন্দে গার্জিয়ান* পাউচেদা হায়খি, মদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা ভি সী পান্দেনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা অরানবা তৌখিবগী খুদম অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি। পোলিটিকেল পার্টি অমগা নক্লে হায়বগীদমক ভি সীগী মথক্তা মীয়ামগী ইহৌ লাকখিবনি। *মখা লামায় ৩ কলম ১*

চহী ১২ শুদ্রিবা নুপীমচা ফম্লানবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা বিল পাস তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩০ (এজেন্সি): নুপী ফম্লানবা, মরু ওইনা চহী ১২ গী মখাদা লৈবা নুপীমচাশিং ফম্লানবদা চেন্নবা মীওই পুম্নমক শিবগী চৈরাক পীনবগী বিল অমা লোক সভাদা ঙসি পাস তৌখ্রে।

হৌখিবা এপ্রিল ২১ দা লৈঙাক্লা চৎনহনখিবা ক্রিমিনেল লো (এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্সকী মহুৎ শিনগদবা ক্রিমিনেল লো এদেন্দমেন্ট বিল অসিগী মতুং ইন্না নুপী ফম্লানবদা চেন্নবা মীওইশিং অকনবা চৈরাক পীরগনি। চহী ১৬ কী মখাদা লৈবা নুপী ফম্লানবগীদমক চহী ১০ জেলদা থম্বগী চৈরাক পীরম্বদগী চহী ২০দা হেনগৎহনখ্রে। পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্বা ফাওবা য়াই। চহী ১২ গী মখাদা লৈবী নুপীমচা ফম্লানবদা চেন্নবশিংনা চহী ২০ দগী হৌরগা পুন্সিগী লেমহৌরিবা শরুক পুম্নমক জেলদা থম্বা য়াই। নৎত্রগনা শিবগী চৈরাক ফাওবা পীবা য়াই হায়রি।

লোক সভানা পাস তৌখিবা বিল অসিদা রেপ কেস পুম্নমক খোঙজেল য়াঙনা ৱায়েল চথবগী ৱাফম য়াওরি। রেপ কেস খুদিংমক থা অনীগী মনুংদা ৱায়েল চথবা লোইশিনগদবনি। আপিল তৌরকপা তারবসু থা তরুক্কী মনুংদা আপিল পিটিসন অদু হীয়ারিং চথগদবনি হায়রি। চহী ১৬ কী মখাদা লৈবী নুপীমচা ফম্লানবদা চেন্নবা মীওইশিং এন্টিসিপেটরি বেল লৌবা য়াররোই। বেল এপ্লিকেসনগী ৱারেপ লৌরমদাইদা কোর্টনা পব্লিক প্রোসিক্যুটর অমদি ভিক্তিমগী মীহুৎ অমদা নুমিৎ ১৫ নি ৱাৎলিঙৈদা মাঙজৌননা নোটিস পীগদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা এপ্রিল ২১ দা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা চহী ১২ গী মখা লৈবী নুপীমচা ফম্লানবদা চেন্নবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

এ আই আর ইম্ফালগী পাউ নৈনবা থুপচিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): মীয়ামদা পূক্নিং লৌশিং পীরম্বা ওল ইন্দিয়া রেদিও (এ আই আর) ইম্ফালগী অয়ুক্কী পুং ৭.৩০গী পাউগা লোয়নবা পাউচেশিংদা ফোঙনবা পাউ নৈনবগী থৌরম খূদক্তগী থুপচিল্লে হায়না এ আই আর ইম্ফালদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

চহী ১০ হেন্না পাঙথোক্তুনা লাক্লবা থৌরম অসি করি মরমগীদমক থুপচিনখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুমকপু থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি এক্সপর্টশিংনা ইকায় খুম্ননিংঙাই ওইরবা মীওই কয়া মনিং তম্না চৈরকপনা মরম ওইরগা এ আই আরগী দি জিনা খূদক্তগী থুপচিন্নবা খঙহল্লককখিবনি হায়রি।

এ আই আর ইম্ফালদগী ফংবা পাউনা হায়, এ আই আর ন্যু দিল্লিগী অয়ূক্তা শন্দোক্লিবা পাউচেশিংগী হেদলাইনশিং পাথোকপগী মতৌ অদুগুম্না এ আই আর ইম্ফালসু হয়েংদগী ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা হেদলাইনশিং খক্তমক পাথোক্লগনি হায়রি।

ভি সী কনখৎপগী ৱাফম লৈতে : থোঙাম বিস্বজিৎ

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিটি অমসুং মীয়াম্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর এ পি পান্দে লৌথোকউ হায়না দিমান্দ তৌরিবা অসিগা মরী লৈননা মহাকপু লৈঙাক্না কনখৎতুনা থল্লে হায়না শীরকপা মরাল লৈঙাক্লা য়াখিদ্রে।

লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয় ওইরিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎনা পাউমীশিংদা হায়খি, এম য়ুগী ৱাথোক অসি লোইশিন্ননবা লৈঙাক অসিনা থেংখাঙ কয়ারক্তা হোৎনদুনা লাকখি। মুসু, মুটা অমসুং মুসাগী লুচিংবশিংগা কয়ারক হন্না ৱারী শানবা লৈখ্রে। মসিগীসু মথক্তা পোলিটিকেল পার্টিগী মীফমদসু ৱাথোক অসি খন্নবা লৈখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্লা ৱাথোক অসিগী মতাংদা হেক্তমক থবক তৌবা ঙমদবা য়াওরকই। ...*মখা লামায় ৩ কলম১*

সী এম কোংগ্রেসতা য়াওরগনি হায়না ফোঙলুবগী লিগেল নোটিস থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): লোক সভাগী মীখল হেক লাউথোকপগা কোংগ্রেসকী অশেংবা ৱার্কর অমা ওইখিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন মশাগী হান্নগী পার্টিদা অমুক হনখিনবা শেম শারে হায়বা পাউজেল অমা সোসল মিদিয়াদা থাগৎলুবগীদমক ওথেন্টিক প্রেস নেটৱার্ক (এ পি এন)দা লিগেল নোটিস থাখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মায়কৈদগী এদভোকেট ৱারি মাংশাতাবম্না এ পি এনগী এটিদর-ইন-চীফ রাশ্রি রাই অমসুং মেনেজিং এটিদর বিনৈ রাইদা ঙসি লিগেল নোটিস থাখিবনি। লিগেল নোটিস অদুগী মতুং ইন্না মথৌ মশক খঙনা মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইনা থবক তৌরিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরবু লৈবাক মীয়াম অমদি পার্টিগী থৌমীশিংগী মমাঙদা মিংচৎ থিহল্লে হায়বগীদমক থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

এ পি এন ন্যুজনা শন্দোকখিবা পাউজেল অদুনা মণিপুরগী বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসি লান্না উহন্নবগী মরম ওইহল্লে। চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি ফাওবদা লোক সভা মীখল হেক লাউথোকপগা কোংগ্রেসতা অমুক য়াওরগনি হায়না কনাগুম্বা মীওই অমত্তদা হায়খিবা লৈতে হায়নসু এ পি এন ন্যুজ এন্দ মীদিয়াদা থাখিবা লিগেল নোটিস অদুনা ফোঙদোকখি।

লোক সভাগী মীখল হেক লাউথোকপগা চীফ মিনিষ্টরনা কোংগ্রেসতা অমুক য়াওগদৌরে হায়রিবা ৱাফম অসিগী মতিক চাবা খুদম চাংদম পুম্নমক নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা পুথোকপা ঙমদ্রবদি লোগী ওইবা থবক পায়খৎলগনি হায়নসু লিগেল নোটিস অদুনা ফোঙদোকখি।

ও জয় বি জে পিদগী তোকখ্রে, লংথবাল মন্দলসু মুখৎখ্রে

ইস্যুশিং থৌনা লৈনা থেংনবা ঙমদবা পার্টিসিদগী তোক্লে, পার্টিদগী মণিপুরনা হেন্না লুই : ওক্রম জয়

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা হৌজিক ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট য়াওনা লুরবা ইস্যু কয়া লৈরিবা অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা সেন্টরগা থৌনা লৈনা থেংনদুনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবা ফীভম অসিদগী বি জে পিদগী তোক্লে। পার্টিদগীদি মণিপুরনা লুই হায়না এক্স-মিনিষ্টর ও জয়না পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ককৱাদা লৈবা ও জয়গী য়ুমদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, বি জে পি মণিপুরগী স্পোক্সপার্সন ওইনা লৈরম্বা অদু ঙসিদগী তোক্লবা ফিরেপ লৌবগা লোয়ননা প্রাইমারি মেম্বরশিপ্তুগী রিজাইন তৌরগে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টতা চেরোল পীশিনখ্রে।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক লুরবা ইস্যু কয়া লৈরি। ইস্যুশিং অসিগী মনুংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট, বোর্দর পিল্লর, সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট), এম য়ু ইস্যু, ষ্টেট ইমপ্লোয়ীশিংদা তরেৎশুবা পে পীবা ঙমদবা অসিনচিংবা কয়া য়াওরি। ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা বি জে পিগী মীহুৎ কয়া সেন্টরদা চৎতুনা লুচিংবশিং উনবা লৈখি। অদুবু, চপ চানা নুপা থোক্না থেংনবা ঙমখিদে। থৌনা ফনা ইস্যুশিং অসি সেন্টরদা থেংনদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবা ঙমদবা মওংশিং অসি উবদগী বি জে পিদগী তোকপনি। হৌজিক নিংতম্না মণিপুরগী ওইবা ইস্যুশিংদা থেংনগনি। পার্টিনা লুদে, মণিপুরনা হেন্না লুই।

বি জে পি লংথবাল মন্দলগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং পাঙথোক্তুনা কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

LOAN AVAILABLE
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Service Loan
- T.V. Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।
100% Free Processing (Vehicle Only)
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in
HL-P/5105/17/07-16/08